# ইজরেলদা প্রাইম মিনিষ্টর নেটন্যাহুগী গভর্ণমেন্ট কায়রমবা য়াবদগী হিংহৌরে



জেরুসালেম, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): মরুওইবা পার্টনর অমনা কোলিসন থাদোক্লগনি হায়না কিহল্লম্বা হন্দোকখিবদগী ইজরেলগী গভর্ণমেন্ট কায়রম্বা য়াবদগী হিংহৌরে। নেটন্যাহুগী কোলিসন গভর্ণমেন্টগী মরুওইবা পার্টনর অদুনা কোলিসন থাদোক্লগা মীখল ঙন্না পাঙথোক-হল্লগনি হায়না কিহনখিবনি।

জ্যুৱিশ হোম পার্টিগী নাফতালি বেন্নেটনা কোলিসন থাদোক্লগনি হায়না ইঙ্গিৎ পীরল্লগা নিংথৌকাবা নুমীৎতা অমুক মহাক মখা তানা কোলসিনদা য়াওখিগনি হায়না লাউথোকখি। প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটন্যাহুনা হন্দক নুমীৎ খরনি অসিদা মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শানদুনা মহাক্কী কোলিসন কায়হন্দনবা হোৎনখি। ৱাথোক অদু গজাগী লালহৌবশিংগা ইজরেলনা সিজফায়র অমা পুরকখিবদা মদুবু য়াখিদবা দিফেন্স মিনিষ্টরনা মফম থাদোকখিবদগী লাকখিবনি। বেন্নেটনা করিগুম্বা মহাকপু অনৌবা দিফেন্স মিনিষ্টর হাপত্রবদি মহাক্কী পার্টি কোলিসন অদুদগী তোক্লনি হায়খি। মতম খরগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা দিফেন্সকী পোর্টফোলিওসু পায়খি।

দিফেন্স মিনিষ্টর অভিগদোর লৈবরমেন অমসুং মহাক্কী য়গরেল বৈতেবু পার্টিনা কোলিসন থাদোক-খিবদগী নেটন্যাহুগী গভর্ণমেন্ট অদু সিট ১২০ লৈবা নেসেট (পার্লিয়ামেন্ট) তা শুপ্পগী সিট অমগী মেজোরিটি পায়হৌখি। কোলিসন অদুদা অহুমশুবা খ্বাইদগী চাউবা পার্টি লুচিংলিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর নাফতালি বেন্নেটনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা ইজরেলগী সিক্যুরিটিগী ৱাথোক নীংথিনা য়েংশিল্লিমখৈ মহাক অমসুং জষ্টিস মিনিষ্টর অয়েসেটনা মখা তানা কোলিসন্দা লৈগনি।

করিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টরনা ইস্যু অসিবু লুনা খন্দুনা পুকচেল শেংনা থবক তৌনিংবা লৈরবদি ঐখোয় কোলিসন থাদোক্কদবা লৈতে। হৌখিবা অহিংদা মহাক্না হায়খিবশিংদসু ঐখোয়না থাজবা থম্নিংই। অদুনা ঐখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরদা ঐখোয়গী পোলিটিকেল দিমান্দ খুদিংমক হন্দোক্তুনা ইজরেলবু অমুক হন্না মায় পাকহন্নবা নহাক্না চঙশিল্লিবা মিসন্দা ঐখোয়সু মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীরি হায়না মহাক্না নিংথৌকাবা নুমীৎতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

মীফম ঙন্না পাঙথোকহন্নবা হোৎনরিবশিংগী মায়োক্তা আপিল তৌরদুনা অদুগুম্বা ৱারেপ অমা লৌবা হায়বসি হৌজিক লৈরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম অদুদা থৌদাং লৌদবগী থৌওং তাগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙরাং অথেংবদা হায়খি। নোংমাইজিংগী নুমীদাং অথেংবদা শন্দোকখিবা লাইভ ব্রোদকাষ্ট অমদা নেটন্যাহুনা হায়, ইজরেলগী হৌজিক লৈরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম অদুদা মীখল ঙনখৎনা পাঙথোকপা হায়বসি থৌদাং লৌদবগী মতৌ তাগনি। অসিগুম্বা তাঙ্কক্তদি গভর্ণমেন্ট চিংথুবা য়াদে। অসিগুম্বা মতমদা মীখল পাঙথোকপা য়াদে হায়না নেটন্যাহুনা হন্দক্তা লমদম অদুদা টেন্সন থোক্লক্লিবদুগা মরী লৈননা হায়খি।

# মেক্সিকোগী বোর্দর সিটিদা মীয়াম্না মাইগ্রেন্টশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



মেক্সিকো, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): য়ু এসতা চৎনবা হোৎনরিবা মাইগ্রেন্ট লিশিং কয়া থুংজিনখিবদা য়ানিংদবা উৎলদুনা মেক্সিকোগী বোর্দর টাউন অমদা মীওই চা কয়ানা লম্বীদা দেমোন্সত্রেসন চৎখ্রে। মখোয়না মাইগ্রেন্টশিংদা বোর্দর টাউন তিজুৱানা থাদোক্তুনা চৎখিনবা তকশিনখি।

মাইগ্রেন্টশিং অদু মেক্সিকো ফাওরগা য়ু এসতা তাঙজফম থীবা চৎলিবা সেন্ট্রেল অমেরিকানশিংগী চাউরবা কারাভান অমদা য়াওরিবনি। মাইগ্রেন্ট ময়াম থুংজিল্লকখিবদুগী পাউখুম ওইনা য়ু এস অমসুং মেক্সিকোনা বোর্দরগী ফাওফমদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎখি। তিজুৱানাগী মেয়র জুৱান মান্যুএল গাষ্টেলুমনা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা চয়োল খরসিদা সিটি অদুদা থুংলগদৌরিবা মাইগ্রেন্টশিংগী মশিং ১০,০০০ য়ৌবা য়াই হায়না মহাক্না থাজে। মহাক্না য়াল্লবা মাইগ্রেন্টশিং য়েংশিন্নবা সিটি অদুনা শেম-শাবা লৈতে হায়খি।

সিটি অদুগী সেল্টরশিং মাইগ্রেন্ট মশিং য়ামনখিবদগী অৱাবা ওইরকপা কুইরে অমসুং ওথোরিটিশিংনা গভর্ণমেন্টকী মতেং কৌখ্রে। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নোংমাইজিং নুমীৎতা গাষ্টেলুমগী ৱাহৈশিংদু পল্লদুনা ত্বিটরদা ইখি মদুদি, মেক্সিকোগী সিটি তিজুৱানাগী মেয়রনা সিটি অদু য়াল্লবা মাইগ্রেন্টশিং অদু য়েংশিন্নবা শেম-শাখিবা লৈতে হায়খ্রে। অদুনা অদুৱাইদা নৈশিল্লিবদু থা তরুক চঙগনি। মেক্সিকোগুম্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসসু অসিগুম্বা লান্দা অসিগীদমক শেম শাবা লৈতে অমসুং মখোয়বু শৌগৎলোই। মখোয়না মেক্সিকোদা ক্রাইম অমসুং প্রোব্লেম কয়া থোকহল্লে, মখোয় ময়ুমদা হনগদবনি।

তিজুৱানাগী লম্বীশিংদা মাইগ্রেন্ট-শিংবু য়ানিংদবগী মওং উৎপা উখি। মাইগ্রেন্টশিংগী মায়োক্তা পাঙ-থোক্লিবা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎতা য়াওবা দেমোন্সত্রেটর অমনা রাইঅটকী ফিজোল শেৎপা পুলিস পরেং অমদা লাউশিনখি। পুলিস কাঙবু অদু সেন্ট্রেল অমেরিকাদগী য়ু এস তম্না লাক্লিবা কারাভান অমদা য়াওরিবা মীয়ামগী লৈফম ঙাক শেল্লিবনি। প্রোটেষ্টরশিং অদুনা মখোয় ইনভেদর ঙাক্তনি। মখোয় খুৎলায় পায়, লৈবাক অসিদগী চৎখ্রো হায়না লাউখি।

মশাগী চহী ৫৮ শুরবা ইশথর মোনরোইনা ন্যুজ এজেন্সী অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়, সিটি অদুদা পুনশিল্লক্লিবা য়াল্লবা মাইগ্রেন্টশিং অদুনা মরম ওইদুনা য়ু এসনা বোর্দর ক্রোসিং থীংজিনখিবা য়াই। ঐখোয় অয়াম্বা বোর্দর লানশিল্লক্লিবা অমসুং বোর্দর লাম্হোক্তুনা চৎখিবশিংগা বিজিনেস তৌরগা হিংজবা ঙাক্তনি। করিগুম্বা য়ু এসনা বোর্দর থীংজিনখিবা থোক্লবদি মদু মাইগ্রেন্টশিংনা থোকহনবা ওইগনি। করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা পুম্নমকসি কন্ট্রোল তৌদবা তারবদি ওর্গনাইজ ক্রাইম অমসুং দ্রগ কার্টেলশিংনা মদু তৌরক্কনি হায়না অমেরিকা ভিলানা মখা তাখি।

# হোং কোংগী এক্টিভিষ্টশিং ৱায়েল চৎখরি

হোং কোং, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ৱায়েল থৌদাগী লমদা বৈজিংদগী মনিং তম্বগী চাংয়েংনি হায়না লৌনবা ৱায়েল অমদা হোং কোংগী প্রো-দিমোক্রেসি এক্টিভিষ্ট মাপননা মখোয় মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মীওই মাপন অদু হোং কোংবু মশাগী লুচিংবা খঞ্জহল্লু হায়না তকশিল্লদুনা কুমজা ২০১৪ দা হৌখিবা ছাতিনগী ঈহৌ (অমব্রেলা মুভমেন্ট) গা মরী লৈননা মীয়ামদা অকায়বা পীবগী মরাল শিখি। এক্যুজশিং অদুগী মনুংদগী অহুম্না সিভিল দিসওভিদিয়েন্স ঈহৌ লিংখি অমসুং তুংদা মখোয়গী ঈহৌ অদুদা মহৈরোয়শিং য়াওশিনখি। ঈহৌ অদুনা খ্বাইদগী কনখিবা মতমদা প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা সিটি অদুগী মফম খরা থা কয়া থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকপা য়াহনখিদে। মখোয়দা শিরিবা মরালশিং অদুদা কনভিক্ট তৌবা তারবদি মখোয় চহী ৭ ফাওবা জেলদা লৈবা য়াই। রাইটস গ্রুপ এমনেষ্টি ইন্টরনেসনল ৱায়েল অদুবু নীংতম্না ৱা ঙাঙবা অমসুং ঈংনা চিক্না পুনবগী রাইট চাউনা খোঙ্গাওনবা পোলিটিকেল ঈথিল চঙবা থৌদৌ অমনি হায়না ফোঙদোকখি। অতৈ এক্যুজ তরুক অদুদা লোমেকরশিং অমসুং মহৈরোয়শিং য়াওখি। এক্যুজ মাপনদুগী মনুংদা সোসিওলোজি প্রোফেসর চানকিন-মেন (৫৯), লোগী প্রোফেসর বেন্নি টাই (৫৪) অমসুং বেপটিষ্ট মিনিষ্টর চু য়িউ-মিং (৭৪) য়াওরি। কুমজা ২০১৩ দা চু য়িউ-মিংনা ওকুপাই সেন্ট্রেল ঈহৌ হৌদোকখি। মদু কুমজা ২০১৭ কী মীখলদা বৈজিংনা হান্না অয়াবা পীরবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট য়াওবা মীওইশিংদনা মীখলদা হকথেংননা লম্বা তৌহন্নবা চাইনানা লৌখিবা ৱারেপতা য়ানিংদবা উৎখিবা ঈহৌনি।

হোং কোংগী মীওই কয়ানা মখোয়দা লুচিংবা খঞ্জনবগী হক লৈফম থোকই হায়না থাজনৈ। চহী অমা লৈরগা এক্টিভিষ্ট অহুম্না কৌখিবা নন-ভাইওলেন্স সিভিল দিসওবিদিয়েন্স অদুদা মহৈরোয়শিংসু পাক্তক্লনা য়াওশিনখিদুনা অচৌবা দেমোন্স-ত্রেসনশিং ওল্লকখি।

প্রোটেষ্টশিং অদুগা মরী লৈননা লোনা য়াদবা মওংদা পুনবগীদমক হোং কোংগী কোর্টশিংনা মহৈরোয় অহুম মমাঙদা কনভিক্ট তৌখ্রে। ৱায়েল অদুদা দেমোন্সত্রেসনশিংদুনা সিটি অদুগী মফম কয়া থবক-ইনখাং তৌবা য়াহন্দবদগী মীয়ামদা অকায়বা থোকহনখি হায়না প্রোসিক্যুসনগী মায়কৈদগী য়েৎখি। পুলিসনা মীয়াম তানখায়নবা টিয়ার গ্যাস কাপ্পদা চুঙ্গাই ওইনবগীদমক মীয়াম্না পাক্তক্লনা ছাতিন শীজিন্নখিবগীদমক প্রোটেষ্টশিং অদুবু ছাতিনগী ঈহৌ হায়না খঙনরকখি। চাইনা অমসুং হোং কোংগী মরক্তা লৈবাক অমা, সিষ্টেম অনীগী এগ্রিমেন্ট অমা চৎনৈ।

# কোঙ্গোদা ঈরাং কনখৎলকপদগী ইবোলা লাকশিনবগী থবক লেপখ্রে

কিন্সাসা, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): লালহৌবশিংনা এটেক তৌবা হেনগৎলকপদগী বেনি টাউনদা ইবোলা লায়না শন্দোরকপা লাকশিন্নবা হোৎনবগী থবকশিং লেপ্লে হায়না দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী হেল্‌থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইমর্জেন্সি সেন্টর অমদগী শুপ্পগী মিটর খরদমক লাপ্পা মফমদা মিলিস্যা কাঙবুনা এটেক তৌখি হায়না লৈবাক অদুগী হেল্‌থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী ষ্টাফসু মখোয়গী বিল্ডিংদুদা সেল অমনা পানবদগী নমদুনা মফমদু থাদোকখ্রে হায়রি। মিসন অদু করম্বা মতমদা অমুক হন্না থবক হৌগনি হায়বদু শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

ইমর্জেন্সি সেন্টরদা চৎখিবা এটেক অদু এলাইদ দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এ দি এফ) হায়না খঙনবা কুমজা ১৯৯০ গী চহী পরিং অদুদা মঙক হাইগৎলকখিবা য়ুগন্দাগী ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ অমগী খুৎনি হায়না হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিনা মরাল শিখি। দব্লিয়ু ঐচ ওগী ষ্টাফ ১৬ লৈরিবা বিল্ডিংদুদা কনানা সেল কাপখিবগে হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমখিদে। মদু অমগা অমগা কাপ্নরিঙৈ মনুংদা পানখিবা ওইবনা মিলিস্যাগী মায়কৈদগী, য়ু এন পিছকিপ্পরশিংগী মায়কৈদগী নৎত্রগা কোঙ্গোলিজ আর্মিগী মায়কৈদগী কাপখিবা ওইরম্বা য়াই। ষ্টাফ মেম্বরশিং অদু মখাদা লোৎলম্লবা মতুংদা বেনি টাউনদগী অতোপ্পা সিটি অমদা পুথোকখি হায়রি।

লালহৌবশিংনা এটেক চৎখদুনা মীওই ১৮ হাৎখিবা মতুং থা অনীগী মমাঙদা হেল্‌থ ওথোরিটিশিংনা লমদম অদুদা টিকা থাবা অমসুং অতৈ থবকশিং লেপখি।

# য়েমেনগী লান : কোলিসন্না লান্দাবা লেপ্পদগী হৌথিশিংনসু দ্রোন অমদি মিসাইল ষ্ট্রাইক লেপ্লগনি

সানা, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়জরকপদগী মখোয় সাউদিনা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসনদা দ্রোন অমসুং মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং চৎথবা লেপ্পগনি হায়না য়েমেনগী হৌথি রেবেলশিংনা হায়রি।

খোঙথাং অদু য়েমেনগী মরুওইবা হিথাংফম হুদাইদাহদা কোলিসন্না লান্দাবা লেপখিবদগী লাকপনি। মালেমগী খ্বাইদগী শাথিরবা অৱা-অনাগী ৱাথোক অদুবু থোক্হল্লিবা চহী অহুমগী লান অমা লোইশিন্নবা য়ু এননা ৱারী মখা চৎথবা য়ানবা হোৎনরক্লি। হৌজিক ফাওবদা লান অদুদা মীওই লিশিং কয়া শিখ্রে অমসুং য়েমেনগী অহেনবা মীওই মিলিয়ন কয়া চাবা ফংদবগী ফীভমদা লাকহনখি।

হৌথিশিংগী সুপ্রীম রেভল্যুস্নরি কম্মিটিগী মকোক মোহম্মদ অলি অল-হৌথিনা হায়, য়ু এনগী পাউখোল্লোই মার্টিন গ্রিফিথসকা কন্টেক্ট তৌনরবা মতুংদা মিসাইল অমসুং দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং লেপ্পবা ৱারেপ লৌখিবনি। করিগুম্বা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না লৈবাক অদুদা তং-তাবগী ফীভম অমা লৈহনবা পাল্লবদি হৌথিশিংনসু পাকশন্না চৎনগদবা সিজফায়র অমা পুরক্লবগী মায়কৈদা চঙশিন্নবা শেম শারে। হুইদাইদাহদা লান্দা চৎথরকখিবা সাউদি অরাবিয়া, য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটসনচিংবা লৈবাকশিংনা হায়, য়ু এননা লুচিংদুনা শিনবা ৱারী শানবা মখোয়না শৌগৎলি। গ্রিফিননা মীফম অদু চহী অসি লোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা কৌবা ঙমগনি হায়না থাজরি। মহাক্না ইরাই নুমীৎতা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলদা নাকল অনীমক্না মঙোন্দা মীফমদা শরুক য়াগনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়খি।

তঙাইফদ্রবদি মহাক য়েমেনগী কেপিটেল সানাদগী হৌথিগী মীহুৎশিংগা লোয়নননা ফাওবা লাকপা য়াই। মমাঙদা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা ৱারী শাননবা শিনখিবদা হৌথিগী মীহুৎশিং লাকখিদবনি। হৌথিশিংগী ৱারোল অসি য়ু কেনা য়েমেনদা সিজফায়র পুরক্লবা অমসুং অৱা-অনা তারবশিংদসু মতেং পাংবা চঙবা য়াহন্নবগীদমক্তা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলদা দ্রাফ্‌ট রিজোল্যুসন অমা পুথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা হৌথিশিংনা ষ্টেটমেন্ট অদু থোক্লকপনি। সাউদিনা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন্দা য়ু কে, য়ু এস অমসুং ফ্রান্সনা লোজিষ্টিক্স অমসুং ইন্টলিজেন্স সপোর্ট পীখি। টেহরানদা চৎপা খোঙচৎতা ৱাথোক অদুদা ইরাননা লৌরিবা থৌদাংগী মরমদা ইরানগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানবদা হৌদোক্কনি হায়না য়ু কেগী ফোরেন সেক্রেটরি জেরেমি হন্টনসু থাজবা পীখ্রে।

## ꯃꯥꯡ/ BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook of Manipur Rural Bank, Singjamei Branch, Imphal, bearing Account No. 9014010042237 on the way between Singjamei to Lilong on 15-11-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Md. Habibullah
Lilong Haoreibi Mayai Leikai
☎ 9871460612

HL-P/2540/20

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ওজা Kabiraj Abdul Hak পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

Kabiraj ওজা **Abdul Hak**-কী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা Piles কী Problem শিং খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী চেকখাইরগা ঈ য়াওবা, থুপ্পা, চিকপা, শাবা, অমাঙথোংদা বি-ব্রি চৎপা, হাক্কৎচবা, কক-কক থিনবা, অমাঙথোংগী মনুং-মপান্দাপোম্বা, মচুম তারগা চিকপা, Gastric, খ্বাঙ নাবনি। অদুবু Wangoi State Bank Awang (পাঙন লৈরক) তা লায়েংবিরিবা ওজা Kabiraj **Abdul Hak** *Contact Nos.* **8794429681, 8014623756** তা চৎতুনা লায়েংজবদগী অনাবশিং মপুং ফানা ফজরে অমদি মপুং ফানা নুংঙাইজরে। ওজাবু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

*থাগৎচরিবা :* **P. BIMOL**
**Kyamgei Turel Maning**

HL-P/5569/20

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাঙথোং অকোয়বদা মরু-মরু পোল্লগা নাই চাবা অদুগা খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা, অমাঙথোং মনুংদা চাথৎলগা ঈ তারকপা ফহনবগী ওজা সহিদুর রহমনবু হন্না হন্না থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঈ তাবা হেনমনদুনা অমাঙথোং অকোয়বদা য়াম্না চাওথোকপা, অমাঙথোং অকোয়বদা মরু-মরু থোক্লগা নাই চাবা অদুগা খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা, অমাঙথোং মনুংদা চাথৎলগা ঈ তারকপা, নোংমনা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, ঈ থোকমনদুনা হকচাং কংশিল্লকপা, হকচাং মচেৎ-মচেৎ নাবা, খোঙ হাম্বা লোয়রগা মরেং মরেং চৎপা তৌরম্বা অদু **MK Sahidur Rahman Makakmayum ☎ 8310735055/9612725989** দা মতম খরা চৎতুনা য়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা সহিদুর রহমনবু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, মহাকপু হন্না হন্না পাউচেগী থোংদা থাগৎচরি।

*লায়েংজরিবা মফমশিং :*
1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba, 6 a.m. to 9.30 am.
2. Sangai Bazar M/S Gambhir Enterprises, Takhellambam Konjil (Hiyangthang) 10 a.m. to 5 pm.
3. Pallel Bazar, Kakching District.

*থাগৎচরিবী :* **CH. SANTIBALA DEVI**
*Moirang*

HL-P/3694/20

## ADMISSION OPEN

## ENGLISH COACHING

*For*

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

*At*

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/4970/13/11-9/12

## EDUCITY TUTORIALS

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Limited Seats!

ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018-19
CLASS - I TO X (Both CBSE & BOSEM)

Timing:
5:00 am to 8:00 pm
5:00 pm to 8:00 pm

Contact: 9612194500 | 8731977228

REVISION FOR CLASS-X
Subject: Maths, English, Science, Social Science

- PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- PROBABLE SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST SERIES
- COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 1000/- Month) CLASS VI TO VIII (Rs. 1200/- Month) CLASS IX & X (Rs. 2500/- Month)

CLASSES STARTING FROM 20TH NOV & 20TH DEC, 2018

HL-P/5002/18/11-17/12

## CAS REVISION

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN
REVISION COURSE
CLASS XII & X

SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oriented test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.




LANCHENBA OINAM — HSLC Exam 2018, 94% (Man,E,M,Sc.,S.Sc,Hm)
DEEPAK OINAM — HSLC Exam 2018, 92% (Man,E,M,Sc.,S.Sc,Hm)
ROHIT KHUMUKCHAM — HSLC Exam 2018, 75.8% (Man, M, Sc.)
MAIBAM STEPHEN — HSLC Exam 2018, 74.9% (Man, M)
LUNGINMANG HAOKIP — HSLC Exam 2018, 72.6% (MIL, E)

Classes for Revision Course starts from 22nd Nov. 2018
Seats are limited First come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4983/13/11-12/12

## ꯑꯣꯖꯥ ꯔꯤꯌꯥꯖꯨꯗꯤꯟꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ

## ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা নাদুনা খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, য়াম্না লিকপা অমসুং মতম কুইনা লৌবা অমদি য়াম্না শংবা অমসুং শৌজ তাবা মরম্না মশানা হনগৎলু হায়বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা খুৎনা ইনখৎপা, মশানা চিংখৎপা ঙমদবা, এনসতা হাক্কৎচবা, অতেক অনৌ চারগা হকচাং নুংঙাইতবা, ঙা, শা চারগনা য়াম্না নুংঙাইতবা তৌরম্বা অদু ওজা **M.V. Riyajuddin Buyamayum ☎ 9856797338, 7085494783** দা চত্তুনা লায়েংজবা অমসুং ওজাগী হিদাক চাবদগীঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং ফরে অমসুং নুংঙাইরে। ওজা **Riyajuddin** বু মতম লৈবা খিবিক্তা কাউজরোই। ওজাবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। মতম খুদিংমক্তা মীয়ামগী সেবা তৌবীখো।

*লায়েংফম ঃ* 1. Mayang Imphal Konchak Bazar, 2. Moreh Bazar.

*থাগৎচরিবা ঃ* **SILA**
Tamenglong

HL-P/5677/20

## FOOD CORPORATION OF INDIA
## REGIONAL OFFICE MANIPUR

Old Assembly Complex
Imphal – 795001, Manipur

### E-TENDER NOTICE Dated: 19.11.2018

For and on behalf of Food Corporation of India, the Dy. General Manager (Region) FCI Manipur Region invites Online Tenders under "Two Bid System" from parties having business competency for appointment of Road Transport Contractors and handling contractors on regular basis for a period of 02(two) years. The details of the tender are as below:

| Sl. No. | Name of work | Estimated Value of Contract (E.V.C) | Security Deposit | EMD (2% of E.V.C) |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Transportation of foodgrains/Allied material fromRH/FSD Jiribam to FCI FSD Sawombung(239 KM) via weighbridge. | Rs.19,92,00,000 /- | (i) 5% of Actual Value of Contract. (ii) B.G. @ 15% of Actual Value of Contract. | Rs. 39,84,000/- |
| 2. | Transportation of foodgrains/Allied material fromRH/FSD Jiribam to FCI FSD Bishnupur(249 KM) via weighbridge. | Rs.13,76,00,000/- | (i) 5% of Actual Value of Contract. (ii) B.G @ 15% of Actual Value of Contract. | Rs. 27,52,000/- |
| 3. | Handling of foodgrains/Allied material at FSD-Sawombung | Rs.1,31,00,000/- | (i) 5% of Actual Value of Contract. (ii) B.G @ 15% of Actual Value of Contract. | Rs.2,62,000/- |
| 4. | Handling of Foodgrains/Allied Material at FSD-Bishnupur | Rs.90,40,000/- | (i) 5% of Actual Value of Contract. (ii) B.G @ 15% of Actual Value of Contract. | Rs. 1,80,800/- |

Tenders can be submitted online from 03:00PM of **20-11-2018** upto **03:00 PM** of **11-12-2018** and will be opened on **12-12-2018**. Tender documents can be downloaded from Central Public Procurement Portal https://eprocure.gov.in/eprocure/app. Bidders are advised to download w.e.f. 20.11.2018 from 03:00 PM and go through the Notice Inviting Tender and MTF uploaded in the website for detail information.

The Dy. General Manager (Region), FCI RO Manipur reserves the right to reject any / or all tenders without assigning any reason and does not bind himself to accept the lowest or any tender.

Sd/-
Dy. General Manager(R)

HL-B/5007/20